**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-05-2025)**

**ডে (এল)ঃ** ঙসি মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎনি। শিন্মীশিংগী ইহৌ অমদি মখোয়না থেংনখিবা খুদোংথিবশিং অদুবু নিংশিংবা ওইনা চহি খুদিংগী মে ১ দা শিন্মীগী নুমিৎ হায়না পালন তৌনরি। চহি অসিগী পালন থৌরমগী মপুং ওইবা হিরমদি- শিন্মীশিংদা অশোই অভাম থোকহন্দবা অমদি মশা মউ ফনা থন্বা হায়বসিনি।

মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

ইন্দিয়ান নেসনেল ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ব্রঞ্চ, ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মণিপুর ষ্টেট কমিতি, কম্মুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, য়ুনাইতেদ লেভর ওর্গনাইজেসন মণিপুরনচিংবা লুপ কয়ানা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিনদুনা কাউন্সিল অসিগী কনফরেন্স হোলদা ‘ফার্ষ্ট মে ওবজারভেসন ওফ লেবর ডে’ সেল্যুটিং অৱার সেনিটরি ৱাকরস হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী সেনিটরি ৱাকরশিংনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অকোইবদা লৈবা জগাশিংবু লু-নান্না থমবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শিন্মীশিংদা অচন্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অমরোমদা, মে ডেগী থৌরম মনিপুর সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল জে.এ.সি. ওফ ওল মনিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল (এমটুক) অমসুং ওল মনিপুর গভরমেন্ট ইমপ্লোয়িজ ওর্গনাইজেসন (এ.এম.জি.ই.ও) গী বাবুপারাদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা তাজৈ পাবিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনা শিনদুনা নোনেগী লোংমাই বজারদা লৈবা অঘা তুরেলগী অকোইবদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মহৈরোই ৮০ য়াওনা স্কুল অসিগী ফেল্কতি তরানা শরুক য়াখি।

নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন অমদি ফেদরেসন ওফ ইন্দিজেনস পিপলস দেমোক্রেতিক মুভমেন্টনা শিন্দুনা ইম্ফালগী রিমসতা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাডজেলদা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা খাঙবা কনবা অমসুং নৌনা শেমগৎপগী ৱাখল্লোন অদু নিংশিংহল্লি। শিন্মীশিংনা সমাজ অসিগী য়াংলেন শরূ ওইনা পুরিবনি। মখোয়গী কৎথোকপা অমদি খাঙবা কনবনা তুংগী পুন্সিদা ঐখোয় পুমমক্কী য়াইফনবা লন্থী য়াৎলি।

**রাজ ভবন (এল)ঃ** ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মগী দাইরেক্তর-হাওবম জোয়রেন্বা সিংহ অমদি অতৈ ওফিসিএলশিংনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নদুনা ম্যুজিয়ম অসিগী পান্দম অমদি মসিনা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ম্যুজিয়ম অসি লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমদা শরুক য়াবীনবসু রাজ্যপালদা বার্ত্তন তৌখি।

ওল মনিপুর খৃষ্টান ওর্গনাইজেসন (অমকো) না মসিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মখোয়না মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

**মেট ঃ** মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালনা হায়রি- ঙসিদগী হৌরগা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অখাক অরাও অমসুং নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কামজোং, উখ্রুল, সেনাপতিগী মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপীদসু লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট, ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকপা চেরোল অমনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা সেনাপতি জিলাদা নোং তাবগী চাং মিলিমিটর ৬.০১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মিলিমিটর ৫.০৩ ওইখি হায়রি।

অমরোমদা, অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-নাগালেন্দ, মেঘালয়, ত্রিপুরা য়াওনা উরিষা অমসুং উত্তরাখন্দদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা লেন য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

**ৱেসঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি ফিল্ম পুথোকপা, দিজিটেল কোন্টেন, গেমিং, ফেসন, ঈশৈ-নোংমাই অমসুং লাইফ কন্সরটশিংগী মালেমগী ওইবা হব অমা ওইরক্লি।

মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড কনভেন্সন সেন্টরদা অহানবা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্য়েল ইন্টরটেনমেন্ট সমিট (ৱেবস) ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মালেমগী ওইনা এন্যিমেসনগী ওইবা কৈথেল অসিদা মীৎয়েং চংবা য়াই। চৎলিবা চহি অসিদা এন্যিমেসনগী কৈথেলদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৩০ গী ভেল্যু ওইরি অমসুং হায়রিবা অসি লাক্কদৌরিবা চহি তরা অসিদা শরুক অনিরোম হেনগৎলবা য়ানা লৈরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসিনা লৈবাক অসিগী এনিমেসন অমসুং গ্রাফিক ইন্দষ্ট্রিশিংদা অচৌবা খুদোংচাবা অমসু পীরি। শ্রী মোদিনা হায়-ৱেবস মীফম অসিনা মসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী নাৎ-চৎনবী, হৈথোই শিংথোইবা কয়া উৎথোক্কুনা অমগা অমগা নকশিনহল্লি। মহাকা হায়-মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০০ হেনবগী আর্টিষ্ট, ইনোভেটরস, ইনভেষ্টর অমসুং পোলিসি মেকর কয়ানা অমত্তা ওইনা পুল্লবনিনা মালেমগী ওইনা পুকিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী ফিল্ম কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০০ হেনবদা রিলিজ তৌদুনা মীয়ামা পামা য়েংনরি। মহাকা হায়-ও.টি.টিগী লমদস্ লৈবাক অসিনা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙল্লি। ঙসিদগী মুম্বাইদা লৈবা ৱার্ল্ড জিও সেন্টরদা পাঙথোক্লি পাঙথোক্লিবা ৱেবস সমিটতা শরুক য়ারিবা অকাশবানি ইম্ফালগী পাউমীগী পাউদম অমা--

**অশ্বিনিঃ** ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-ৱেবস মীফম অসিনা অনৌবা শেল থুমগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি। মীফম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-মসিনা ক্রিয়েটরশিংদা মালেমগী ওইবা ফম্বাক অমা ফংহনবতা নত্তনা অনৌবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নবগী খুদোংচাবসু ফংহল্লগনি।

মহাকা হায়-লুপা কোতি ৪০০ চংনা মুম্বাইদা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ক্রিয়েটিব টেকোলোজি লিংখৎলগনি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ুকোবিট) কী য়ুনিট ওর্গনাইজেসন, য়ুনাইটেদ কুম্বী অমসুং নাইভরিং ক্লবস ওর্গনাইজেসন (য়ুকানকো) গী নৌনা থৌ পুগদবা থৌমীশিং খনবগী মীফম অমা ঙসি অপ্পর প্রাইমারি স্কুল-কুম্বীগী ঈশিং চাইবী লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা নৌনা খল্লবা থৌমীশিংগা লোয়ননা অপুনবা লুপ অসিনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারেপ কয়াদু লৌখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কাংপোকপী জিলাগী সি.ও.বি. কোটলেন্দদা কুকিগী সি.এস.ওশিং অমসুং খুলগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা খুলগী লুচিংবা অমসুং সি.এস.ওশিংগী মীহুৎ ১১ না শরুক য়াখি।

**পেন্টিং(এল)ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল ওফ দেফনেস (এন.পি.পি.সি.দি) গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-থৌবালনা শিনদুনা জিলা থাক্কী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবা অমা ঙসি থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোই ১৮৬ শরুক য়াখি। ক্লাস ফাইবতগী আইট ফাওবগী কেটেগোরিগী ওইনা হিজম প্রিতি দেবীনা অহানবা, হেমশ্রী লিশামনা অনিশুবা অমসুং সনসম তোমথিল মঙাংনা অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস নাইদগী টুয়েল্ব ফাওবগী কেটেগোরিদা-অদিতি থিঙুজমনা অহানবা, রাইনা ৱাকোংথেমনা অনিশুবা অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম ইশিতা দেবীনা অহুমশুবা তাখি।

**ব্লড(এল)ঃ** থা অমা চুপা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড রেড ক্রোস ডে ওবজারভেন্স (আই.আর.সি.এস) গা মরী লৈননা মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফুজন মেদিসিন, রিমসনা খুৎশমদুনা শিনদুনা ঙসি ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা আই.আর.সি.এসকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ৪৮ লোমা ঈ দান তৌখি।

**কেম্প(এল)ঃ** আর.এস.এসকী চহিগী ওইনা পাঙথোকপা অহানবা চহিগী ওফিসার ত্রেন্নিং কেম্প ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নুমিৎ ১৫ নি চথুরকপা ত্রেন্নিং কেম্প অসিদা তোঙান তোঙানবা কেম্পর ৭১ না শরুক য়াখি।

**সিআরপিএফ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোংশাংগৈদা লৈবা ১০৯ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়ননা মনিপুর হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসন ২০২৫ দা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা ঙসি মনা-মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা লমদম অদুগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

**লম্বী(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীদগী থৌবাল হাওখাগী লম্বীগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবনা মরম ওইরগা চৎথোক চৎশিনদা মীয়ামনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। মরি লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমজিনবীনবা মায়কৈ অদোমগী মীয়ামা আপিল তৌরি।

**ইলেক্সনঃ** মীয়ামনা ভোট থাদবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা অমসুং ইলেক্তোরেল রোল চপ চাবা মওংদা শেমবা অনৌবা থবক থৌরমশিং ইলেক্সন কম্মিসননা হৌদোকখ্রে।

কম্মিসন অসিনা দেদ রেজিষ্ট্রেসনগী দাটাশিং ইলেক্তোনিক্সকী খুত্থাংদা রেজিস্ত্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদগী ফংলগনি। মসিনা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিংনা রেজিস্তার তৌবা লৈখিদবা মীওইশিং মতম চানা খঙদোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। কম্মিসন অসিনা মখা তানা ভোটর ইনর্ফোমেসন স্লিপশিংগী মওং নৌনা শেমদোক্লগনি অমসুং মসিনা ভোটরশিংনা মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মফম খঙবদা হেন্না লায়হনবতা নত্তনা পোল্লিং ওফিসিএলশিংনা ভোটরশিংগী মিং অমসুং অতৈ মরী লৈনবশিং ইলেক্তোরেল

রোলদগী খঙদোকপদসু লায়হল্লগনি।

**জয়ঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগা আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মারকো রুবিয়োগা পাহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

লুচিংবা অনিনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং থিদোকনবা পোরম অমদি মসিদা মপুং ওইনা চেন্নরিবা মীওইশিং থিবনচিংবা ৱাফমশিং খন্নখি।

ডা: জয়শঙ্করনা খা কোরিয়াগী মহাক্কী ফম মান্নবা চোতাইয়ুরগসু ঙসি অয়ুক টেলিফোনদা পহলগাম এটেক্কী মতাংদা ৱারী শান্নখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-মালেমগী মফম পুমমক্তগী টেরোরিজম মরু ফংনা মুথৎপগী মতম ওইরে। মহাকা হায়-খা কোরিয়ানা থৌদোক অদুবু শিংনদুনা ভারতকীদমক চপ চানা লেপলি হায়না ফোংদোরকপদা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**জগদিপঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-পাহলগাম থৌদোকা লৈবাক অসিদা শিংনরক্লিবা অসি ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপ্পগী তঞ্জা অদু লাক্লে। লৈবাক্কীদমক ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বসি পুমমক্কী মথক্তা থমগদবনি।

উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা ‘চুনোতিয়া মুজে পসন্দ হে’ হায়বা লাইরিক অমা ফোংবগী থৌরমদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-মালেম অসিদা ভারতকী চাউখৎ থৌরাংগী লমদা খোঙজেল য়াংলিবা অসি মীপুম খুদিংমকা খঙনরক্লি। উত্তর প্রদেসকী রাজ্যপাল-অনন্দি বহেন পতেলনা ইবা লাইরিক অদু ফোংলদুনা মহাকা হায়-উত্তর প্রদেস সরকারনা অনৌবা টেক্সকী নিয়ম শেমদনা রাজ্য অদুগী শেল থুম হান্নদগী শরুক অনিরোম হেনগৎহনবা ঙমলে।

মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা হায়রি-লাইরিক অসিনা নহাশিংবু হেন্না পুকিং থৌগৎহল্লগনি। লাইরিক অসিদা রাজ্যপাল-অনন্দি বহেননা থেংনরকপা

অৱাবা অমদি করমা থাক অসি য়ৌরকপগে হায়বদু ফোংদোক্লি।

**বিএসএফঃ** বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্সনা অমৃতসরদগী য়াল্লবা নোংমৈ, খুৎশু খুৎলায় অমদি গ্রেনেদশিং ফাগৎলে হায়রি।

বি.এস.এফকী পাউনা হায়-অমৃতসরদা চাউনা অমাং অতা থোকহনগদবদগী কনবা ঙমহৌরে। ভারোপাল খুল মনাক্তা ঙরাং নুমিদাং বি.এস.এফনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী থিবা হুম্বগী থবক চঞ্চবদা হেন্দ গ্রেনেদ অনি, মেগজিন তরুক্কা লোয়নবা পিষ্টোল অহুম অমদি নোংমৈ মরু কয়া ফংখি। ফারবা পোৎলমশিং অদু পঞ্জাব পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**পাকিস্তান** ঃ পাকিস্তানননা নুমিৎ তরেৎনি চুপা সিজ ফয়ার থুগায়দুনা ভারতকী জম্মু কাশ্মিরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থবক চঞ্চরি।

ঙাকশেলগী পাউনা হায়-ভারত লান্মীনসু পাকিস্তানগী মায়কৈদা পাউখুম পীখি। কুপৱারা, উরি অমসুং অখনুর সেক্তরদা সিজ ফয়ার থুগায়দুনা পাকিস্তানলোমদগী লেপ্তুনা নোংমৈ মচাশিং কাপশিল্লকপগী থবক চঞ্চরি।

মরক অসিদা, ভারত লান্মীনসু মদুগী পাউখুম হল্লি।

**ইয়ার স্পেচঃ** পহলগাম টেরর এটেক্কী মতুংদা ভারতনা পাকিস্তানগী এরোপ্লেনশিং লৈবাক অসি লান্না পাইবা য়াহনখিদ্রে। সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়না হায়-অথিংবা অসি থা অসিগী ২৩ ফাওবা লৈগনি।

সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়না হায়-ভারতকী নোংথক্কী লম্বীদা পাকিস্তানদা রেজিষ্টর তৌবা এরোপ্লেনশিং, পাকিস্তান এয়ারলাইন্সকী নত্রগা মখোয়না চলাইবা এরোপ্লেনশিং হায়রিবা মতম অসি ফাওবদি পাইবা য়াখিরোই।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চহি ১৩ মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ

টুর্নামেন্টকী হৈনৌবোক্কী ৱাই.সি.ডল্লিয়ু.ও. গ্রাউন্দদা শানখিবা মেটচতা ৱাই.ভি.এনা ইশোক এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তেন্থা মল্টিপেলস গ্রাউন্দদা চথুরিবা তকৱা ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পপজি য়ুনাইটেদ অংথানা সঙাইকোল এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৩ শুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ফুটবোল ত্রোফি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ.সিনা চন্দ্রমুখি এফ.এবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন অমসুং দিমাপুর রোড এঠলেটিক ওর্গনাইজেসন পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** সমরাম এফ.সি-সমরামনা শিনদুনা সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-ঐচ.এ.এফ.সি. হৈরোকনা এফ.এফ.সি.সি.এ-অংথাবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোহখ্রে।

**ক্রিকেট**ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ টি-ত্বেন্তি ক্রিকেটতা ঙসি রাজস্থান রোয়েলসকা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা জয়পুরগী সৱাই মান সিংহ ষ্টেদিয়মদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা শান্নরগনি।